# ‘মশাগী মমিং অমসুং লাইনীংদা য়ূম্ফম ওইরগা প্রসিদেন্ট ফমদগী লৌথোকখিবনি’



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৪ (এজেন্সী):
হোকি ইন্দিয়াগী হন্দক্তা প্রসিদেন্টকী ফমদগী তোকখ্রবা মোহম্মদ মুষ্টাক অহম্মদনা ফোঙদোরকখিবদা মহাক্কী ফম অদুগী মতম লোইদ্রিঙৈ ময়ায় চনশিল্লকপদা লৈঙাক্কী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা রিজাইন তৌনবা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদু মহাক্কী মমিং অমসুং লাইনীংনা অতোপ্পা হীরম কয়া অমগী মনুংদা অমসু ওইখি হায়খ্রে।

কুমজা ২০১৮গী ওক্টোবর ১দা মোহম্মদ উষ্টাক অহম্মদপু হোকি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখিবনি। অদুবু হন্দক্তা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা মহাকপু নেসনল স্পোটস দিভলপমেন্ট কোদ ২০১১ ভাইওলেট তৌই হায়দুনা থবক্তগী পোথানবা হায়রকখি।

মুষ্টাক অহম্মদনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মহাক মশামক মাইনোরিটি কম্যুনিতি অমদগী হৌরকখিবা মরম্মা মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী তোঙানবা মওংদা মীৎয়েং থমখি হায়রি।

হান্না হোকি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা অদুগা হৌজিক্কা মণিপুরদগী নিঙোম্বম গ্যানন্দ্রনা নৌনা ফম পায়খ্রবা অসিগী মতুংদা মুষ্টাক অহম্মদনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা খো-খো এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট সুধানসু মিটল, ফেন্সিংগী প্রসিদেন্ট রজব মহেতা অমসুং হেন্দবোলগী সেক্রেটরি জেনরেল আনন্দেশ্বর পান্দেনা মখোয় মখোয়গী স্পোর্টস ফেদরেসন অদুগী মায়কৈদগী নেসনল স্পোর্টস দিভলপমেন্ট কোদ অদু ভাইওলেট তৌরবসু মখোয়গী মথক্তা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা এক্সন লৌদনা লৈরি।

মহাক্কী মমিং অমদি লাইনীং অদুনা মরম ওইরগা তোঙানবা মীৎয়েং অমা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী য়েংবা মাল্লি হায়না ফোঙদোরকপনি।

অহম্মদনা ৱাফমশিং অসি স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিদা লমায় ৫ পানবা চেরোল অমদা ফোঙদোক্লদুনা কোপিশিং অদু স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজু অমসুং মিনিষ্ট্রিগী সেক্রেটরি ওইরিবা রবি মিটলনা য়ৌহনখি।

মহাক্কী ৱারোল অদুদা মহাক মশানা ফোঙদোকখিবদা মোহম্মদ মুষ্টাক অহম্মদ হায়বা মীংথোল অসিনা মরম ওইরগা হোকি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টকী ফম অদু পায়বগী মতম লোইদ্রিঙৈদা পোথানবা হায়রকখিবনি।

হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা মিদিয়াদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা মুষ্টাক অহম্মদনা হোকি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টকী ফম অদুদগী মশাগী ওইবা খুদোংচাদবা লৈবদগী পোথারে হায়খিবনি। হায়রিবা ৱাফম অদু স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী নোংমা ৱাংলিঙৈদা মহাকপু ফম অদুদগী তোক্লবা খঙহল্লকপগী মতুংদা হায়খিবনি হায়রি।

স্পোর্টস কোদকী মতুংইন্না ফেদরেসন অমদি ত্রেজরর অমসুং সেক্রেটরি জেনরেলনা চহী ৪গী ফম অদু থংনবা টর্ম অনী পায়বা য়াদবগী কাঙলোন লৈরি। অহম্মদ হোকি ইন্দিয়াগী ওইনা ত্রেজরর অমসুং সেক্রেটরি জেনরেলগী ফম টর্ম অনী পায়দুনা লাকখ্রবা মতুং প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরকপনি।

ইন্দিয়াগী নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনশিংদা স্পোর্টস কোদ অসি লেং মান্নগা চৎহল্লি। মঙোন্দা অতম্লনা মীৎয়েং চঙলকপনি হায়না ফোঙদোরকখি।

# বি সী সী আইনা হেমাং অমিনবু সী ঈ ও ওইনা নৌনা খনখ্রে



মুম্বাই, জুলাই ১৪ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী ক্রিকেটকী খ্বাইদগী চাউবা লূপ ওইরিবা বোর্দ ওফ কন্ত্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই) গী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অমদা বোর্দ অসিগী অনৌবা চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসরগী ফম অদু হেমাং অমিননা ওইরগনি হায়খ্রে।

নীংশিংবা য়াই, হেমাং অমিন মমাঙদা মালেমগী ওইনা টি-২০ ক্রিকেট লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংনা লৈরিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগকী চীফ ওপরেটিং ওফিসর ওইনা থৌ পুরম্বনি।

মহাকপু বি সী সী আইগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর ওইনা থবক পুহনখিবা অদুগী ৱাফম বি সী সী আইগী সেক্রেটরি ওইরিবা জে সহানা ফোঙদোরকপনি।

হেমাং অমিননা বি সী সী আইগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর ওইনা থৌ পুরকপা অসি হান্না ফম অদু পায়রম্বা রাহুল জোরিনা রিজাইন তৌখিবদগী ঙরাং অথেংবদা ৱাফম অসি বি সী সী আইগী সেক্রেটরি জে সহানা ইখিবা ঈ-মেল অমদা বি সী সী আইগী মখাদা এফিলিএট তৌরবা ষ্টেটশিংগী এসোসিএসনশিংদা খঙহনখিবনি।

ঈ-মেল অদুদা য়াওরিবা ৱারোলশিংদা বি সী সী আইগী সেক্রেটরি জে সহানা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী ক্রিকেট এসোসিএসনশিংদা নৌনা বোর্দ অসিগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর ওইনা খল্লবা হেমাং অমিনদা কোওপরেসন পীননবা য়াওখি।

বি সী সী আইগী মনুংগী ওইবা য়েৎনবা খোঙথাং অমদা হান্না সী ঈ ও ওইরম্বা রাহুল জোরি চহী অসিগী এপ্রিল থাদা রিজাইন তৌখ্রবনি। অদুবু বি সী সী আইগী কাউন্সিলগী মায়কৈদগী মহাক্কী রিজিগনেসন অদু য়াদনা থল্লকখি।

থা অনীগী মতুংদা জোরিগী রিজিগনেসন অদু অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা মহাক্কী থবক থৌরমশিং অদুদগী পোথানবা হায়খ্রবা মতুং হেমাং অমিননা মহাক্কী মহুত্তা বি সী সী আইগী অনৌবা চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর ওইনা থবক তৌরগনি।

বি সী সী আইগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর ওইনা নৌনা থবক পায়খৎলগদবা হেমাং অমিননা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগা খূৎশম্নদুনা মথং চহীদা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরিবা টি-২০ ৱর্ল্ড কপ অদু মপূং ফাবা অমা ওইনবা হোৎনবদা বি সী সী আইগী থৌদাংশিং অদুসু মহাক্না পুদুনা চৎকদৌরিবনি।

# ইন্দিয়াগী স্পোর্টস ষ্টেদিয়ম কয়া কোভিদ-১৯ ক্যের সেন্টর ওন্থোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৪ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা স্পোর্টস ষ্টেদিয়মশিং কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী মশীং কা হেন্না হেনগৎলকপদগী ক্যের সেন্টর ওন্থোক্তুনা লাইচৎ অসি লাম্থেংনবদা মতেং পাংনবা হোৎনরি।

ন্যু দিল্লিদা লৈবা জ ৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়ম অসি কোরোনাভাইরস ক্বারন্টিন সেন্টর ওইনা শীজিন্নরি। লোয়ননা ষ্টেদিয়ম অসি মফম অদুদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিংনা নক্লনা লৈবা সেন্ত্রেল রেলৱে ষ্টেসন ফাওরগা চৎখিনবগীদমক ৱেটিং পোইন্ট ওইনসু শীজিন্নরি।

কর্ণাটাকাগী ব্রুহাট বেঙ্গালুরু মহানগরা পালিকে অসিসু ফমুং লিশীং ১০ লৈবা কোরোনাভাইরস ক্বারন্টিন সেন্টর অমা ওইনা শেমদোকখি।

নাকল অমরোমদা মুম্বাইগী ৱার্লিদা লৈবা নেসনল স্পোর্টস ক্লব ওফ ইন্দিয়া অসি কোভিদ-১৯দা দেদিকেট তৌরবা হোষ্টর ওইনা শেমদোকখি। হায়রিবা ক্লব অসি চহী অসিগী এপ্রিল থাদগী হৌদুনা য়াম্না ঙন্না কোভিদ-১৯ নারবা মীওইশিংগীদমক্তা খুদোংচাবা পীননবা শেমখিবনি। মফম অদুদা কোভিদ-১৯ নারবা মীওই ১৫০০ হোম হেন্না মতেং পাংবা ঙমখ্রে। লোয়ননা ডোক্তর ৮০ হেন্না মফম অদুদা লায়না লাইচৎ অদু নারবা মীওইশিং মতেং পাংনবা লৈরি।

ন্যু দিল্লিগী কম্মনৱেল্ট গেমস ভিলেজ ইন্দোর ষ্টেদিয়মসু থা অসিগী অনীশুবা চয়োলদা কোভিদ-১৯ লায়না নারবা মীওইশিং লায়েংনবা হাংদোকখি। খোঙথাং অসি ইন্দিয়াগী কেপিটেল ওইরিবা ন্যু দিল্লিদা কা হেন্না লায়না লাইচৎ অসি নারকপদগী লৌখৎলকপা খোঙথা অমা ওইখি। হায়রিবা ইন্দোর ষ্টেদিয়ম অদুদা ফমুং ৫০০ লৈবা লায়না লাইচৎ অসি মতেং পাংনবা শেম শাদুনা থমখি হায়রি।

পনবা য়াই, থা অসিগী ১১দা ক্রিকেট এসোসিএসন বেঙ্গোলনা ষ্টেট অদুদা লৈরিবা খ্বাইদগী মমিং লৈরবা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম ওইরিবা ইদন গার্দেন্সপু কোলকটা পুলিসকী অখন্নবা ক্বারন্টিন সেন্টর ওইনা থম্নবা ৱারেপ লৌবা লৈখ্রবনি।

ষ্টেদিয়ম অদুগী গেল্লরিশিংগী ব্লোক মঙাদা অখন্নবা কোলকটা পুলিসকী পর্সনেলশিংনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপা মতমদা ক্বারন্টিন সেন্টর ওইনবা শেমখিবনি। ষ্টেদিয়ম অদু ক্বারন্টিন সেন্টর ওইনা ৱারেপ লৌখিবদা ক্রিকেট এসোসিএসন ওফ বেঙ্গোলগী প্রসিদেন্ট অভিসেক দালমিয়ানা অয়াবা পীখি।

সেরি এ ফুটবোল লীগ ২০১৯-২০

# ইন্টরনেজিওলনা টোরিনোবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা সেরি এগী লীগ টেবলদা অনীশুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখ্রে



রোম, জুলাই ১৪ (এজেন্সী):
য়ুরোপকী মমিং লৈরবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইটালিদা পাঙথোকপা সেরি এগী ৩২শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ইন্টরনেজিওলনা টোরিনোবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

ঙসি অঙনবদা রোমগী গুইসেপি মিজিয়া ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদু হৌরকপদা ইন্টরনেজিওলবু টোরিনোনা এটেক তৌবা হেনজিন্দুনা ঙন্না পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা টোরিনোগী মায়কৈদগী এ বেলোটিনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল চনখি।

ইন্টরনেজিওল হান্না শান্নখিবা ৩১শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৬৫ ফংলগা লাজিওগী মথংদা অহুমশুবা থাক্তা লৈখিবনি। লীগ অসিগী ওইনা জুবেন্টসনা মেচ ৩২দা পোইন্ট ৭৬ ফংদুনা টিম ২০গী লম্বা অসিদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

লীগ টুর্নামেন্ট অসি পূন্না রাউন্দ ৩৮ শান্নগদবনি। ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ইন্টরনেজিওল অমসুং টোরিনোগী মেচ অদুনা ৩২শুবা রাউন্দ লোইশিনখি। ঙসি অথেংবদা অতোপ্পা ৩৩শুবা রাউন্দগী মেচ অহুম শান্নগদৌরি।

টোরিনোনা পাঞ্জল অমা অহানবা হাফতা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং ইন্টরনেজিওলগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৪৯শুবা মিনটতা এল মার্টিনেজগী পাস অমদা এ য়ংনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা লেং মান্নরকখি।

পাঞ্জল মান্নরবা মতুং ইন্টরনেজিওলগী মায়কৈদগী অথুবদা এটেকমরী-মরী চথরকখি। ৫১শুবা মিনটতা টিম অদুমক্কী শান্নরোয় এ সাঞ্চেজনা খাইদোরকপা বোল অমদা টিম অদুমক্কী শান্নরোয় টি বোদিননা পাঞ্জল চন্দুনা টোরিনোবু ২-১দা হেন্দুনা লৈখি।

শান্নবগী ৬১শুবা মিনটতা এটেক হেন্না চথবা ঙমখিবা ইন্টরনেজিওলগী মায়কৈদগী এল মার্টিনেজনা অহুমশুবা পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু মখোয়না ৩-১দা থোইখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Juventus | 32 | 24 | 4 | 4 | 67 | 32 | 35 | 76 |
| 2 | Inter | 32 | 20 | 8 | 4 | 68 | 34 | 34 | 68 |
| 3 | Lazio | 32 | 21 | 5 | 6 | 68 | 35 | 33 | 68 |
| 4 | Atalanta | 32 | 20 | 7 | 5 | 87 | 41 | 46 | 67 |
| 5 | Roma | 32 | 16 | 6 | 10 | 59 | 43 | 16 | 54 |
| 6 | Napoli | 32 | 15 | 7 | 10 | 52 | 43 | 9 | 52 |
| 7 | Milan | 32 | 14 | 8 | 10 | 45 | 41 | 4 | 50 |
| 8 | Sassuolo | 32 | 13 | 7 | 12 | 59 | 54 | 5 | 46 |
| 9 | Verona | 32 | 11 | 11 | 10 | 40 | 39 | 1 | 44 |
| 10 | Bologna | 32 | 11 | 9 | 12 | 46 | 51 | -5 | 42 |
| 11 | Cagliari | 32 | 10 | 11 | 11 | 48 | 46 | 2 | 41 |
| 12 | Parma | 32 | 11 | 7 | 14 | 44 | 44 | 0 | 40 |
| 13 | Fiorentina | 32 | 8 | 12 | 12 | 38 | 44 | -6 | 36 |
| 14 | Sampdoria | 32 | 10 | 5 | 17 | 39 | 54 | -15 | 35 |
| 15 | Udinese | 32 | 9 | 8 | 15 | 31 | 46 | -15 | 35 |
| 16 | Torino | 32 | 10 | 4 | 18 | 38 | 60 | -22 | 34 |
| 17 | Genoa | 32 | 7 | 9 | 16 | 40 | 60 | -20 | 30 |
| 18 | Lecce | 32 | 7 | 8 | 17 | 40 | 71 | -31 | 29 |
| 19 | Brescia | 32 | 5 | 6 | 21 | 28 | 64 | -36 | 21 |
| 20 | SPAL | 32 | 5 | 4 | 23 | 23 | 58 | -35 | 19 |

ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ২০১৯-২০

# সাউথম্পটনগা পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখিবদগী মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ মরিশুবা থাক্তা য়ৌরম্বা য়াবগী খুদোংচাবা মাঙখ্রে

লন্দন, জুলাই ১৪ (এজেন্সী):
ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ৩৫শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা সাউথম্পটনগা শান্নবদা পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখিবদগী লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মরিশুবা থাক্তা হাইগৎলম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখ্রে।

লন্দন্দা লৈবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী হোম গ্রাউন্দ ওল্ড ত্রাফোর্দ ষ্টেদিয়মদা ক্লব অদুনা য়ূম্বু ওইরগা টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা পোজিসন্দা লৈরিবা সাউথম্পটনগা লম্বা তৌনখি।

মেচকী হৌরকপা অঙনবা শরুক্তা সাউথম্পটননা একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি। শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা সাউথম্পটননা পুশিল্লকপা এটেক অমদা এন রেদমোননা ফংখিবা বোল অমা মফম চানা খাইদোরকপদা টিমমেট এস আমষ্ট্রোংনা পাঞ্জল চন্দুনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু মখোয়না ১-০দা মাঙজিল থাখি।

য়ূম্বু ক্লব অদুগী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা চথরকখিবা কাউন্টর এটেক অমদা এ মার্সিএলনা য়াম্না ফজবা বোল অমা ফংদুনা সাউথম্পটনগী পেনালটি এরিয়া য়ৌশিল্লকপদা মফম চানা লৈখিবা টিমমেট এম রাসফোর্দতা খাইদোরকপদা রাসফোর্দনা শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি।

পাঞ্জল মান্নরবা মতুং মিনট ৩গী মনুংদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী মখা তাবা এটেক অমদা বি ফর্ণান্দেজনা পাস পীরকপা বোল অমদা টিমমেট এ মার্সেলনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা সাউথম্পটনবু ২-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অহানবা হাফকী লেমহৌবা মিনট ২০ হেনবা মতম অদুদা সাউথম্পটনগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর অদু ফংদনা হাফ অদু লোইশিনখি।



পাঞ্জল ২-১দা মাঙজিল থাবা ঙল্লবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী সাউথম্পটনগী মায়োক্তা অহেনবা পাঞ্জল চন্দুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মরিশুবা থাক্তা হাইগৎনবা কন্না হোৎনরকখি।

অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম নাকল অনীমক পাঞ্জল চন্নদনা লৈরক্লবা মতুং মেচ লোইবগী অরোইবা মিনটতা সাউথম্পটনগী জে বেদনারেকনা ফংখিবা বোল অমা ইন্থোরকপদা টিমমেট ওবাফেমেনা পাঞ্জল চন্দুনা ২-২দা দ্রো চৎখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Liverpool | 35 | 30 | 3 | 2 | 76 | 27 | 49 | 93 |
| 2 | Manchester City | 35 | 23 | 3 | 9 | 91 | 34 | 57 | 72 |
| 3 | Chelsea | 35 | 18 | 6 | 11 | 63 | 49 | 14 | 60 |
| 4 | Leicester City | 35 | 17 | 8 | 10 | 65 | 36 | 29 | 59 |
| 5 | Manchester United | 35 | 16 | 11 | 8 | 61 | 35 | 26 | 59 |
| 6 | Wolverhampton | 35 | 14 | 13 | 8 | 48 | 37 | 11 | 55 |
| 7 | Sheffield United | 35 | 14 | 12 | 9 | 38 | 33 | 5 | 54 |
| 8 | Tottenham Hotspur | 35 | 14 | 10 | 11 | 54 | 45 | 9 | 52 |
| 9 | Arsenal | 35 | 12 | 14 | 9 | 51 | 44 | 7 | 50 |
| 10 | Burnley | 35 | 14 | 8 | 13 | 39 | 47 | -8 | 50 |
| 11 | Everton | 35 | 12 | 9 | 14 | 41 | 52 | -11 | 45 |
| 12 | Southampton | 35 | 13 | 6 | 16 | 45 | 58 | -13 | 45 |
| 13 | Newcastle United | 35 | 11 | 10 | 14 | 36 | 52 | -16 | 43 |
| 14 | Crystal Palace | 35 | 11 | 9 | 15 | 30 | 45 | -15 | 42 |
| 15 | Brighton & Hove Albion | 35 | 8 | 12 | 15 | 36 | 52 | -16 | 36 |
| 16 | West Ham United | 35 | 9 | 7 | 19 | 44 | 59 | -15 | 34 |
| 17 | Watford | 35 | 8 | 10 | 17 | 33 | 54 | -21 | 34 |
| 18 | AFC Bournemouth | 35 | 8 | 7 | 20 | 36 | 60 | -24 | 31 |
| 19 | Aston Villa | 35 | 8 | 6 | 21 | 38 | 65 | -27 | 30 |
| 20 | Norwich City | 35 | 5 | 6 | 24 | 26 | 67 | -41 | 21 |

## ত্রেনিং কম প্রদক্সন থাঙ-তা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচএনএস):
সঙ্গিৎ নাটক একাদেমি ন্যু দিল্লিগী লমজিং মখাদা এ পি এম এ আর দি এসনা শীন্দুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাংখেমদা লৈবা এ পি এম আর দি এসকী ওদিটোরিয়ম হোলদা ১১শুবা বেটচ ত্রেনিং কম প্রদক্সন থাঙ-তা থা অসিগী ১৫দা পাঙথোক্লগনি।

থৌরম অসিদা ৱাংখেম জিলা পরিষদকী মেম্বর কে ঐচ বিলাশিনি লৈমা, সঙ্গিৎ নাটক একাদেমি এৱার্দি (থাঙ-তা) কে সনাথোইবা শর্ম্মা, ৱাংখেম গ্রাম পঞ্চায়টকী উপ প্রধান ইঙোনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।

# য়ু এস এগী এন বি এগী সিজন চথরক্লিঙৈ মাঙওইননা শান্নরোয় অনী কোভিদ পোজিটিভ ওইখ্রে

ন্যু য়োর্ক, জুলাই ১৪ (এজেন্সী):
মালেমগী বাস্কেটবোল মশান্নগী ওইনা খ্বাইদগী মমিং লৈরবা লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ু এস এগী নেসনল বাস্কেটবোল এসোসিএসন (এন বি এ) না মমাঙদা লেমহৌবা সিজনগী মেচশিং থা অসিগী লোইশিল্লকপদা মখা তানা পাঙথোক্লবা শেম শারিঙৈ মনুংদা এসোসিএসন অসিগী শান্নরোয় অনী কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইখ্রে।

ফ্লোরিদা ষ্টেটতা লৈবা ওর্লান্দো সিটদা এন বি এগী মমাঙদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা লোইশিনহৌদবা মেচশিং অদু মখা তানা শান্ননবা শেম শাখিবগা লোয়ননা শান্নরোয়শিংনা সিটি অদুদা লাকপা হৌনরকপগী মনুং চনবদা ঙরাং অথেংবদা শান্নরোয় অনী কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরে হায়না ফোঙদোরকপনি।

থা অসিগী ৭তা এন বি এ কেম্পসতা পূন্না শরুক য়াগদবা শান্নরোয় ৩২২ কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌবদা শান্নরোয় অনী পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি।

এন বি এগী মায়কৈদগী থোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না থা অসিগী ১দগী হৌরগা চথুখিবা কোভিদ-১৯গী টেষ্টতা পূন্না লীগ অসিদা শরুক য়ানবা শান্নরোয় ১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি।

এন বি এ চহী অসিগী মার্চ থাদগী কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা শান্নবা লেপ্তুনা লাকখিবনি। অদুগা লীগ অসিগী লেমহৌবা মেচশিং অদু ওর্লান্দো সিটিদা বেজ তৌবা টিমশিং মখা তানা শান্ননবা শীল্লকপনি।

শান্নরোয় অনী নৌনা পোজিটিভ ওইখিবা অদুনা মরম ওইরগা এন বি এগী মেচশিং অদু হান্না লেপখিবা মতম অদুদা শান্নবা য়াগনি নৎত্রগা য়ারোই হায়বগী অরেপ্পা ৱারোল অমদি এন বি এগী মায়কৈদগী ফোঙদোকপা লৈত্রি।

## রেফরি ওনলাইন কোর্স পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচএনএস):
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদসেন (এ আই এফ এফ) না সী এ টি- ১ রেফরিশিংগী ওইবা ফিফা/এম এ রেফরি ওনলাইন কোর্স লাক্লিবা জুলাই ২১ অমদি ২২দা পাঙথোক্লগনি।

হায়রিবা ফিফা/এম এ রেফরি ওনলাইন কোর্স অসিদা শরুক য়াগদবা রেফরিশিং অদুদি ইবুংঙো মৈতৈ নিংথৌজম, এল অজিৎকুমার মৈতৈ, এল প্রিয়োবত্র, রঞ্জিতা তেকচমনি।

শরুক য়াগদবশিংনা জুলাই ১৫ ফাওবগী মনুংদা মখোয়গী ইনফোর্মেসন খুদিংমক https://bit.ly/3gZqOMV হায়রিবা ৱেবসাইট অসিদা পীশিনগদবনি। শরুক য়াবা খুদিংমক্না ইন্টরনেট কনেক্সন ৱাংবা লেপটোপ অমা লোয়নগদবনি। ওদিও অমদি ভিদিও রেকোর্দ তৌবা য়ারোই হায়না অস্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি জোতিরমোয় রোয়না থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## সনাতোম্বী লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচএনএস): মণিপুর হোর্স রাইদিং পোলো এসোসিএসন, মণিপুর ইক্বেষ্টেরিয়ন এসোসিএসন অমসুং মণিপুরী পোনি সোসাইটিগী অপূনবা মীফম অমনা মণিপুরদা শগোল য়োকখৎনবা হোৎনবদা অমদি শগোলগী মশান্না কয়া য়োকখৎনবা থবক কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বী নাওরেম ওংবী সনাতোম্বীনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। লূপ অহুমগী অপূনবা মীফম অমা মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট হৱাইবম দিলিপনা ময়ায় তাংবল লৌরগা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি।

মমাঙদা লৈখিদ্রবী সনাতোম্বীগী মপুরোইবা লৈখিদ্রবা নাওরেম তোম্বীনা মণিপুরদা শগোলগী ওইবা মশান্নশিং অসি চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্লমখি। সনাতোম্বীনা হিংলিঙৈদা চহী খুদিংগী পাঙথোকপা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী নীংশিং পোলো টুর্নামেন্টতা অচৌবা থৌদাং লৌরমখি। লূপ অহুমনা লৈখিদ্রবীগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।


# CHILLI LAUNCHES

MRP Rs. 8999/-
Discount Rate Rs. 6500/-
“KILLER 100” BLUE RAY MULTIPURPOSE DISINFECTION MACHINE
Warranty 6 Months
- য়ূম, মোল, ওফিস, কারনচিংবা কয়াদা সেনিটাইজ তৌবদা শীজিন্নবা য়াই।
- মিনট অমদা ২২ স্প্রেয়িং কেপাসিটি লৈ।

"FIVE LITRE SANITIZER WORTH RS 2500 FREE" !!!
AUTHORIZED DISTRIBUTOR: RIDHI SIDHI ASSOCIATES, THANGAL BAZAR, NEAR AXIS BANK, IMPHAL,MANIPUR,795001 CONTACT: 7892145418, 7005112705
HL-B/6210/1-5


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com